# ওস্কারদা বেষ্ট ফিল্ম য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংদা নোমিনি চঙখিবা ‘কেপ্টেন ফিলিপ্স’

একেন সিজেন্থরুমযুম

মার্চকী তাং ৩ দা পাঙথোকখিবা ৮৬ শুবা ওস্কার একাদেমি এব্রার্ডস অসিদা বেষ্ট পিকচর, বেষ্ট সপ্পোর্টিং, বেষ্ট এদাপ্টেট স্ক্রিন প্লে, বেষ্ট ফিল্ম ইডিটিং, বেষ্ট সাউন্দ ইডিটিং অমদি বেষ্ট সাউন্দ মিক্সিং হায়বা তোঙান তোঙানবা এব্রার্ড ৬ অসিদা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াখিবা ফিল্ম অমনি ‘কেপ্টেন ফিলিপ্স’। ফিল্ম অসি ইং ২০০৯ দা থোকখিবা অমেরিকাগী ললোল ইটিক তৌবা জহাজ অমসু সোমালিয়াগী সমুদ্রগী দাকু (পাইরেটস) শিংনা হায়জেক্ট তৌবদা য়ুম্ফম ওইবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংখিবনা থোইদোক হেন্দোক্লা পৃথিবীগী মীয়াম্না শকখঙলবা এক্টর ‘টোম হেক’ নি।

টোম হেক য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা অঙকপা মওংগী ফিল্ম কয়াদা এক্য তৌদুনা লাক্লবা মীয়াম্না পাম্নরবা এক্টর অমনি। এক্টর অসিনা ‘সপ্লাস’ হায়বা ফিল্ম অদুদসু লিদ রোলদা এক্ট তৌখি লোয়ননা মিনা কয়া খঙনখিদবা ‘ব্রান রেদ সু’ হায়বা ফিল্ম অদুদসু এক্ট তৌখি। মখা তানা ফিল্মগী কেরিয়রদা অফবা এক্টর অমা লাকখিবগা লোয়ননা ‘সেবিং প্রাইভেট রাইন্স’ তা বেষ্ট এক্টরগী ওস্কার এব্রার্ড ফংখি। ফিল্ম অসিদা মরুওইনা উৎলিবা অসি অমেরিকাগী জহাজ *মের্সক অলাবামা* হায়বা জহাজ অসি লন্দন তান্না চৎকদবদা ইন্দিয়ান ওসিনদা লাকপগী লম্বীদা সোমালিয়াগী পাইরেটসশিংনা তান্নরক্তুনা জহাজ অদুবু লেপহনবগা লোয়ননা মখোয়না শেলগী দিমান্দ তৌখি।

শেলগী দিমান্দ তৌবা অদুদা জহাজ অদুদা কেপ্টেন ওইনা য়াওরিবা রিচার্দ ফিলিপ্স (টোম হেক) না মহাক্কী জহাজ অদুদা য়াওরিবা অয়াম্বনা পোৎ–চৈ ঙাক্তনি, শেলদি থোইনা য়াওদে, মখোয়গী জহাজ মনুংদা য়াওরিবা ক্রিয়ু মেম্বরশিংনা শিজিন্ননবা য়ু এস দোল্লর লিশিং ৩০ দগী হেন্না য়াওদে হায়খি। অদুবু সোমালিয়াগী পাইরেটসশিং অদুনা মখোয়না পাম্লিবা শেলদি মিলিয়ন দোল্লরনি, মরম অসিনা মখোয়গী অপাম্বা অসি পীবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা শেলসু লৌরগা কেপ্টেন মশামক ফাদুনা অহেনবা পৈশা দিমান্দ তৌরকপা কয়া অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়ু এস নেভিনা লৌখিবা থৌদাং কয়া অদুবু উৎপা ফিল্ম অমনি।

***ফিল্ম অসিনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল এব্রার্ড কয়াদা শরুক য়াখিবাঃ***

ফিল্ম অসি ওস্কারদা নোমিনি ৬ তা কম্পিটিসন তৌবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াবগা লোয়ননা এব্রার্ড কয়া অমসু ফংলবা ফিল্ম অমনি। বি এ এফ টি এ এব্রার্দতা ফিল্ম অসিনা কেটাগোরি ৯ দা চঙবা ঙমখি অদুবু সপ্পোর্টিং রোল কুমখিবা ব্রখাদ অবদিনা বেষ্ট এক্টর ইন সপ্পোর্টিং রোল হায়বা এব্রার্ড অসি ফংখি। মসিদা নত্তনা ৭১ শুবা গোল্ডন গ্লোবেল এব্রার্ডতসু এব্রার্ড ৫ দা শরুক য়াবা ঙমখি। লোয়ননা এ এ সি টি এ ইন্টরনেস্নেল এব্রার্ডদসু কেটাগোরি ৩ দা শরুক য়াখি। মসিদসু নোমিনি চঙবা খক নত্তনা এব্রার্ড ফংখিদে। এলাইয়েন্স ওফ বুমেন্স ফিল্ম জনেলিষ্টসকীদসু কেটাগোরি ৩ দা নোমিনি চঙখি। অমেরিকান সিনেমা ইডিটরস্তসু নোমিনি চঙবগা লোয়ননা বেষ্ট ইডিটেদ ফিচর ফিল্ম দ্রামাটিক হায়বা অসিদা খৃষ্টোফর রুসনা এব্রার্ড ফংখি। অমেরিকান ফিল্ম ইনষ্টিট্যুটতা টোপ টেন ফিল্ম ওফ দি ইয়র হায়বা মনা অসি ফংখি। লোয়ননা আর্ট দিরেক্টর গাইদতা নোমিনি চঙখি অদুবু এব্রার্ডতি ফংখিদে। ব্লেক রিল এব্রার্ডস হায়বা অসিদা বরখাদ অবদিনা আউটষ্টেন্দিং সপ্পোর্টিং অমদি আউটষ্টেন্দিং ব্রেকথ্রু পার্ফোমেন্স মেল হায়রিবা এব্রার্ড অনী অসি ফংখি।

চিকাগো ফিল্ম ক্রিটিক্স এসোসিয়েসনগী এব্রার্ডতা সপ্পোর্টিং এক্টর অসিনা কেটাগোরি অনীদা নোমিনি চনখি। সিনেমা ওদিয়ো সোসাইটি ফিল্ম অসিদা শরুক য়াখিবা ক্রিয়ু মেম্বর কয়া য়াওনা নোমিনি চঙখি। লন্দন ফিল্ম ক্রিটিক সর্কল এব্রার্ডতা বরখাদ অবদিনা সপ্পোর্টিং এক্টর ওফ দি ইয়রগী এব্রার্ড ফংখি। মোসন পিকচর, সাউন্দ ইডিটরর্স গোল্ডন রিল এব্রার্ডতা ওলিভর ট্রেনিনা বেষ্ট সাউন্দ ইডিটিং, দাইলোগ এণ্ড এ দি আর ইন এ ফিচর ফিল্ম হায়বা এব্রার্ড অসি ফংখি। লোয়ননা ফিল্ম অসিগী বেষ্ট ইডিটর এব্রার্ড ওইনা খৃষ্টোফর রুসনা সেন দিয়েগো ফিল্ম ক্রিটিক সোসাইটি এব্রার্ড ফংখি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা এব্রার্ড কয়াদা শরুক য়াবদা নোমিনি চঙবদা নত্তনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা হায়দোক্ত্রিবা এব্রার্ড হায়রগদি ১৯ শুবা এম্পাইর এব্রার্ডনি।


ফিল্ম অসিদা উৎলিবশিং অদুগী মনুংদা পাইরেটস কাংবু অদুনা জহাজ অসিগী মতুং ইন্নদুনা মোটোর বুট অনীদা তান্নরকপা মতমদা রাদরনা দিটেক্ট তৌবগা লোয়ননা ময়ুম লৈবাক ওইরিবা অমেরিকাগী ওথোরিটিদা জহাজ অদুদগী ব্রাকি–টোকি শিজিন্নদুনা মখোয়দা খুদোংথিবা থোক্কদৌরে, মসিগীদমক্তা ঙাকথোক্লবা হন্না হন্না হায়খি। কেপ্টেন ফিলিপ্সনা মহাক্কী ক্রিয়ু মেম্বরশিংদা মতাং মতাংগী ওইনা ইন্সট্রক্সন পীদুনা জহাজ অদুবু স্পিদ হেন্না য়াংনা থৌহনখি। নুমিৎ কয়ানিমুক চঙনা থৌরবসু পাইরেটশিং অদুনা হনবা নৈতনা মখোয়গী মতুং ইন্নরকখি। মমৈথংদা মোটোর বুট অনী লাকপা অদু শুপ্নগী মিওই ৪ না শাবা মোটোর বুট অমনা মখোয়বু তান্নরকখি। মখোয়গা য়াম্না নক্লবা মতম অদুদা মশা ঙাকথোকচনবা ওইনা মোটোর বুটতা লাক্লিবা মীওইশিং অদু জহাজতা কারকপা ঙমদনবা অকনবা ইশিংগী শাফু কাপশিন্দুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনখি। সোমালিয়াগী পাইরেটশিং অদুসু হনবা নৈতনা হোৎনবগা লোয়ননা মখোয়না পুরক্লিবা কৈরাক্কী মতেংনা জহাজ মথক্তা কাখৎতুনা নোংমৈ কাপ্পনা চিংবা হৌরকখি। কেপ্টেন ফিলিপ্সনা কেপ্টেন অমগী চপ চাবা থৌদাং লৌদুনা মহাক্কী ক্রিয়ু মেম্বরশিং অদুবু ইঞ্জিন রুমদা লোৎহন্দুনা থমখি। মহাক অমদি মখোয়না ফারিবা মহাক্কী ক্রিয়ুশিং অদু নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংবুদি খুদোংথিবা থোক্তনবা মশা ঙাকথোকচখি। মমৈথংদা পাইরেটস অমা ফাবগা লোয়ননা মখোয়গা ব্রারি শান্নরবা মতুংদা দোল্লর লিশিং ৩০ অদু পীরগা য়ান্নখি। মখোয়না মরৈবাক্তা হন্নবা ক্রিয়ু মেম্বরশিংনা খুদোংথিবা তারবা কান্দা শিজিন্নগদবা এমার্জেন্সি বোট অদুদা মখোয়বু হনখিনবা য়ান্নখি। লাইবক থিবদি পাইরেটশিং অদুনা কেপ্টেন ফিলিপ্সপু ফাদুনা মখোয়গী মরক্তা পুখিবা অমদি মসিগী মতুংদা য়ু এস নেভিনা কেপ্টেন ফিলিপ্সপু টেক্তা কাইদনা কন্ননবা হোৎনবদা লৌখিবা থৌদাংশিং অদুবু নীংথিনা উৎপা ফিল্ম অমা ওইখি। ফিল্ম অসি মমাংদা থোকখ্রবা থৌদোক অমদা য়ুমফম ওইরগা পুথোকপা ওইরবসু য়াম্না নেচর তাবা ফিল্ম অমনি। মসি মণিপুরী সোসাইটিদা লৈরিবা ইমুং মনুং হুপ্না য়েংমিন্নবা য়াবা ফিল্ম অমসু ওই। মরম অসিনা পৃথিবীগী মীয়াম্না ফিল্ম অসিবু হেন্না য়েংনিংবগী আশা থল্লি। ইং ২০১৩ দা পুথোকপা ফিল্ম ওইরগসু মীয়াম্না হেন্না পাম্নরক্লিবদি হন্দক্কী ওস্কার এব্রার্ড অদুদা ফিল্ম অসিনা কেটাগোরি ৬ তা নোমিনি চঙলকপা অসিদনি। লমদম অসিগী ওইনদি তশেংনা থোকখিবা থৌদোক অমদা ফিল্ম ওইনা পুথোকপগী খুদোংচাবা য়াম্না ব্রাৎলি। মমাংদা ফিল্ম অমদি পুথোকখ্রে মদুসু অব্রাবা কয়া মায়োক্লরবা মতুংদনি।
















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490 *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*